ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯵ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, নবেম্বর ১০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২২৫শুবা মশীং

কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবক

কোঞ্চেং কোকফাইগী থৌদৌ তাহনগনু

মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগী য়েক্নবা ওইরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অঙম্বা পাম্বৈশিং পুথোক্তুনা হোৎনরি। পাম্বৈশিং অসিগী মনুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা তমথীরবা লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ওইরিবা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক লেপ্তুনা চখরি। কনাগুম্বা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমদা কো-মোর্বিদিটিজবু থোকহল্লবদি মহাক্কী থৱায় কলহৌবা ঙমদ্রি। মসিগী মথক্তা তঙাইফদ্রবা অমসুং অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়রিবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজগী হীদাক কাপথোক্লবা মীওইদসু পোজিটিভ ওইরকহনবগী থৌদোক থোক্লি। দোজ অনীমক শুনা কাপথোক্লবা মীওইশিংদসু হায়রিবা থৌদোকসি থোক্লি। পূম্নমকসি ওইরগসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়নাসিবু মরূ ফংনা মুখৎপা ঙম্বা হীদাক লৈত্রিবনা মসিনা নারকহন্দনবা, ঙাকথোক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা থবক্তি ভেক্সিনেসন তৌথোকপা, দোজ মশীং শুনা কাপথোকপনা ওইরি। মসিমক্না লৈঙাক্না, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা, লোকল সেল্ফ গভর্ণমেন্টশিংগী ইলেক্তেদ মেম্বরশিংদগীনা এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিং ফাওবনা থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা মীপূম তিংনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবগী থবকশিং হৌজিক ফাওবদা লেপ্তুনা চখরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মসিগীদমক লৌখৎলক্লিবা থবক-থৌরমশিংগী মনুংদা য়ূমথোঙ য়ৈনা চৎতুনা 'দোর টু দোর' গী ওইনা হীদাক কাপথোকপগী থবক পায়খৎলি। মফম খুদিং শিনবা থুংনা চৎতুনা হীদাক কাপথোকপা ঙম্নবগীদমক ভেক্সিনেসন এক্সপ্রেসকী গাড়ীশিং দিষ্ট্রিক্টশিংদা য়েন্থোকখ্রে। কর্ফিয়ুগী অকনবা অথিংবা লৈরিঙৈদসু অথিংবসিবু থুগাইরকপা মীওইশিং কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌদুনা পোজিটিভ ওইবা য়াওরম্লগনা কোভিদ ক্যের সেন্টর, কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরনচিংবদা থম্বগা লোয়ননা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবগী থবকশিং ফাওবা লৌখৎখ্রে। ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, ইম্ফাল ৱেষ্টনা তোঙান তোঙানবা প্রাইজশিং থমদুনা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী দ্রাইভ ফাওবা চথখ্রে।

পূম্নমকসি কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোক্লবসু, অনীশুবা দোজ য়াওনা মশীং শুনবা কাপ্লবসু পোজিটিভ ওইবা য়াওরকই, কো-মোর্বিদিটিজ থোকহন্দুনা শিবা য়াওরক্লগসু অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ওইরিবনা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবদগী তৌরক্লিবনি। তৌফমসু থোকই, হৌজিক ফাওবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ভেক্সিনেসন তৌথোকপনা ওইরিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা হীদাক অসিবু কাপথোকপা য়ারবা মণিপুরগী মীওইশিং মশীং শুনা, শিৎ-নান্না হীদাক কাপথোকপা ঙমদ্রিবা করিগীনো? হীদাক কাপথোকপনা লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ওইরিবসিগী মথক্তা মণিপুরগীদি মার্চ ১৯, ২০২২গী মমাঙদা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল শোয়দনা পাঙথোক্লগদবনা মীখলসিগী অকনবা কেম্প্যেন মফম কয়াদা চথনরক্লিবনি। ইলেক্সনসিগা মরী লৈনবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লরক্লিবনি। অদুগা হায়রিবশিং অসিদি মী অনী-মরিখক তিনবা থৌরমশিং ওইদবনা কোভিদ-১৯গী চেকশিন্না ঙাক্তুনা চৎকদবা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিংগী মায়োক্তনি। লৈঙাক্না পীরিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেসনেল প্রোসিজর (এস ও পি) শিংগী ওন্ন-তৈনবশিংনি। মরমদি কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র অমসুং এস ও পিশিংদা মী অমগা অমগগী মরক্তা ফুট ৬কী সোসল দিষ্টেন্সিং থম্মু হায়রিবনি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অকনবা চেকশিন ৱাশিংসি হায়জরগসু, কনামত্তনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা পাম্নদ্রবসু ইলেক্সনগা মরী লৈনবা কেম্প্যেনশিং অসি নোংম-নোংমগী কনখৎনরক্লি। মসি ওইরগদি কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবকসি হৌজিক লেপ্তুনা চথরক্লিবা অসিগী চাংদগী খোঙজেল খজিক্তং য়াংশিনবা চুপ্লোইদ্রা হায়বনি। মরমদি নবেম্বর ৭, ২০২১ ফাওবদা অপূনবা হীদাক কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী মশীং ২০,০৭,০৫৬ শুখ্রবসু মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপ্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২,৫৩,২৯৮ খক্তনি। অদুগা সেকেন্দ দোজ কাপ্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ৭,৫৩,৭৫৮ খক্তা ওইরি। হায়বদি নুমিৎসি ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ফর্ষ্ট দোজগীনা চাদা ৫৩.৫৪ খক্তমক ওইরি। সেকেন্দ দোজ কাপথোক্লবশিংগী মশীংনা চাদা ৩২.২০ খক্তমক ওইরি। মসিদি পেন্নিংঙাই ওইবা পূক্নিং লূম্নিংঙাই ওইরবা চাং য়ৌরে হায়না লৌবা য়াদ্রি। পন্থদনা চাম্মদা চাম্মা হীদাক কাপথোকহৌবগী তঙাইফদবা লৈরি। কোঞ্চেং কোকফাইনা নোমখৈ নোন্নগা মনঙ্গলদা মরূম পুই হায়বগী থৌদৌ তাহনবা চুপ্লোই।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯

১) *"থাপ্নরিবা"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"মপারি লৈরাংতোন্দা শাৎপা শিংলেনতোন্দা পোকপা উনৌ কোন্দেল্ কোন্না হুন্ শলেন্ লাইফাও থিনবা, খোইয়ম লাইপোক শংশংবা চেংলৌ শক্না হেনবা, পুনুং লিন্না ঙানবা, খোইয়ম লাইবু নীংবগী কোলোই মমিংথোংদি বৃষকেতু তৌনা কৌএ। বৃষকেতু ভক্ত ৱারী লমদাংশাংবু হয়া লাওনা শৈথিরক্কে।"** ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোকপনো?

৩) বৃন্দাবনলাল বর্মাগী **"মৃগনয়নী'** হায়বা উপন্যাষ অসি মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) *"সীতা বনবাস"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"মহাভারতকী শকুনি অমসুং শকুনিগী ৱাশক"*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

য়ু থক্তবশিংদা নাবা ফেট্টি লিভর দিজিজ লায়েংনবগী অনৌবা পাম্বৈ

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

Sanda Win

Neil Kaplowitz

য়ু য়াম্না থকপশিংদা তোয়না নাগনবা লায়নাশিংগী মনুংদা ফেট্টি লিভর দিজিজ (লিভর সেলশিংদা ফেট য়াম্না তুংশিল্লকপা) হায়বসিসু অমনি। অদুবু য়ু শুকথক থক্তবা নৎত্রগা খজিক-খজিক্তং থকপা মীওইশিংদসু লায়নাসিনা নাহল্লি। অসিগুম্বা লায়নাসিবু *নোনঅল্কহোলিক ফেট্টি লিভর দিজিজ* (এন এ এফ এল দি) হায়না খঙনৈ এন এ এফ এল দি অসি মালেমদা মরু ওইনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা তোয়না নারক্লিবা লায়না অমনি। ক্রোনিক লিভর দিজিজগী খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা লায়না অমা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মীশিংগী মরী থোকপগী অমদা লায়নাসিনা নাহল্লি হায়রি। এন এ এফ এল দিনা নারবা মী খরদদি লিভর ইনফ্লেমেসন থোকহন্দুনা সিরোসিস অমসুং লিভর ফেল্লর ওইহল্লকপা ঙম্বা, নোনঅল্কহোলিক ষ্টিটোহিপটাইটিস (এন এ এস ঐচ) না নারকই। মসি য়ু য়াম্না থকপশিংনা নারকপা মতমদা শোকপগী চাংদুগা মান্নে হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি।

এন এ এফ এল দি অমসুং এন এ এস ঐচ অসি য়ু থক্তবা মীশিংদা করম্না নারক্লিবনো হায়বগী চপ চাবা মরম খঙদ্রবসু লায়নাশিংসি কা হেন্না নোইবা (ওবেসিটি), ইন্সুলিন রেজিষ্টেন্স (সেলশিংনা হোর্মোন ইন্সুলিন্দা পাউখুম পীবা ওইনা চিনি লৌশিনবা ঙমদবা), ঈদা চিনিগী চাং হেন্না য়াওবা (টাইপ ২ দাইবেটিস) অমসুং ঈদা ফেটশিং, মরু ওইনা ত্রাইগ্লিসরাইদশিংগী চাং ৱাংনা য়াওবগা মরী লৈনৈ হায়না লৌনৈ। ফেট্টি লিভর দিজিজ লৈবশিংনা শিবগী মরু ওইবা মরমসি কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ, কোলোরেক্টরল অমসুং ব্রেষ্ট কেন্সরনা ওই।

লায়না অসিগী খুমাঙ চাওশিনখ্রবা তাঙ্ককশিংদা হীদাক কয়ামরুম্না লায়েংবদা মায় পাকপা ঙমদবা য়াওই। মসিগী মরমসি লায়নাসিগী কমপ্লেক্সিটি, হীদাকশিংগী কান্নবগী চাং ৱাৎপা নৎত্রগা হীদাকশিংদুগী সাইদ ইফেক্টনা ওইহল্লম্বা য়াই। হৌখিবা চহী কয়াসিদা ক্লিনিকলগী ত্রাইএল কয়ামুক পাঙথোকখ্রবসু এন এ এস ঐচকী ফার্মাস্যুটিকেল থেরাপিগীদমক য়ু এসকী এফ দি এনা অয়াবা পীরবা লায়েং লৈত্রি। ফেট্টি লিভর দিজিজনা অসুম অসুম খুমাঙ চাওশিল্লকপগী কমপ্লেক্সিটি অসিবু খঙদোক্নবগীদমক য়ুনিভর্সিটি ওফ সাউদর্ন কালিফোর্নিয়া (য়ু এস সী) গী সাইন্টিষ্টশিংগী লূপ অমনা এক্সপরিমেন্টেল এন এ এফ এল/এন এ এস ঐচতা থোক্লিবা মোলিক্যুলর মেকানিজম অদু থিরকখি। মদুগী মহয় ওইনা এস এ বি হায়রগসু খঙনবা এস ঐচ ৩ বি পি ৫ হায়বা থেরাপ্যুটিক টার্গেট জীন অমা মশক খঙবা ঙম্লকখি। মসি য়ু এস সীগী বাইওইনফোর্মেটিক্স স্পেসলিষ্টশিং, পেথোলোজিষ্ট, মহৈরোয়শিং, ভিজিটং স্কোলরশিং অমসুং কোলাবরেটরশিংনা চহী কয়া অমা হোৎনরকপগী মহয়নি হায়না য়ু এস সীগী কেক স্কুল ওফ মেদিসিনগী জি আই/লিভর দিভিজন্দা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরিবা সানদা ৱিননা ফোঙদোক্লি।



এস এ বি হায়বসি *পৱার হাওস ওফ সেল* হায়না খঙনরিবা মাইটোকোন্দ্রিয়াগী মপানথংবা মেম্ব্রেইন প্রোটিন অমনি। চহী ১০গী মমাঙদা ইহান হানবগী ওইনা য়ু এস সীগী থিজিন-লূপ অসিনা পুথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা এস এ বিগী বাইওলোজিকলগী ওইবা মথৌসিং খঙনবদে। এস এ বি অসি য়াম্না মরু ওইবা প্রোটিন অমনি অমসুং এস এ বিগী লেভেলদা এসিটমিনফেন (Acetaminophen) না থোকহনবা *লিভর ইঞ্জুরি মোদেল* অমসুং *ট্যুমর-নেক্রোটিক ফেক্টর* (TNF) না থোকহনবা *একুট লিভর ফেল্লর মোদেলদা* লিভর শোকপগী চাংবু তাকই। এস এ বি অসি ষ্ট্রেস-এক্টিভেটেদ কাইনেইজ (জে এন কে) গী টার্গেট অমনি, মসিনা মাইটোকোন্দ্রিয়াগী মথৌ কাইহল্লকই অমসুং হূ চেনবা রিএক্টিভ ওক্সিজেন স্পেসিসপু হেনগৎহল্লকই। য়াম্না নুংঙাইরিবদি, চিঙ্গাক্না থোকহনবা ফেট্টি লিভর অমদা এস এ বি জিন এক্টিভেসন অমসুং প্রোটিন লেভেলশিং হেনগৎলকপা অদুগা এক্সপরিমেন্টেল মোদেলশিংদা লায়নাসিনা খুমাঙ চাওশিল্লকপগা মীওইবগী ফেট্টি লিভর দিজিজগা য়াম্না নক্নবা মরী লৈনরম্বসিনি হায়না ৱিননা ফোঙদোক্লি। মাঙজৌননা ফেট য়াম্না য়াওবা চিঙ্গাক পীজরবা, মপূং মরৈ ফারবা উচিশিংদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা লিভরগী এস এ বি জিন অদুবু মথৌ তৌহন্দনা থম্লগা লায়নাসিনা খুমাঙ চাওশিল্লকপবু থিংবা ঙমখি হায়না কেক স্কুলগী প্রোফেসর ওফ মেদিসিন, Neil Kaplowitz না হায়রি।

অমেরিকান এসোসিএসন ফোর দ ষ্টদি ওফ লিভর দিজিজেজগী জর্নেল হেপাটোলোজিদা ফোঙদোকখ্রবা, য়ু এস সী রিসর্স সেন্টর ফোর লিভর দিজিজেজ অমসুং the Donald E. and Delia Baxter Foundation Faculty Fellows award না শেন্থং পীরগা পায়খৎলকখিবা প্রোজেক্ট অসিদা উচিশিংদুদা সুক্রোজ অমসুং ফ্রক্তোজ ৱাটর হাপচিল্লবা, ফেট য়াম্না য়াওবা চিঙ্গাক মখল অমবু কা হেন্না পীজরম্মী। অসিগুম্বা ফেট অমসুং চিনিগী চাং য়াম্না য়াওবা চিঙ্গাকপু মতম কুইনা পীজরকপা মতমদা উচিশিংদু ওবেসিটি, দাইবেটিস অমসুং ফেট্টি লিভর দিজিজনা নারকখি। অদুবু ফেট অমসুং চিনি য়াম্না য়াওবা চিঙ্গাক্তু উচিশিংদা চহী অমা পীজরবা মতুংদা লিভর সেলশিংদা টার্গেট তৌরিবা এন্টিসেন্স (জিন অমগী নন-কোদিং দি এন এ ষ্ট্রান্দ নৎত্রগা জিন সাইলেন্সিংগী পাম্বৈ) অসি শীজিন্নরম্মী। হান্নদগী হৌনা উচিশিংদু লিভর ইনফ্লেমেসন অমসুং ফিব্রোসিসনা নারবসু, এন্টিসেন্সনা মখোয়গী ইন্সুলিন রেজিষ্টেন্সপু হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিনহল্লকপা অমসুং লিভরদা ফেট তুংশিনবগী চাং য়াম্না হন্থহনবগা লোয়ননা লিভরগী ইনফ্লেমেসন অমসুং ফিব্রোসিসপুসু ফহনবা ঙমখি হায়না Kaplowitz না ফোঙদোক্লি।

মখোয়গী পাম্বৈ অসিদা এস এ বি প্রোটিনবু মপূং ফানা মাঙহনখিবা, নমথদুনা থম্বা নৎত্রগা লৌথোকখিবগী মথৌ তাদে। এস এ বিগী নোর্মেল লেভেলদুবু ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক দরকার ওইরিবা চাংদু চপ চানা পীবা মতমদা লায়নাদুনা খুমাঙ চাওশিল্লকপদুবু থিংই নৎত্রগা লিভরদুনা ফগৎলকপা ঙম্মী। Carlsbad, California গী Ionis Pharmaceuticals Inc. গী কোলাবরেটরশিংনা দিজাইন তৌবা অমসুং শুংবা এন্টিসেন্স ওলিগোন্যুক্লিওটাইদ (এ এস ও) শিংগী লম্দা চাওখৎলকপা অসিগী খুদোংচাবগা লোয়ননা থিজিন-লূপ অসিনা এস এ বি - টার্গেটিং দি এন এ থেরাপিদা থাজবা থম্লি।

থিজিনখিবা অসিনা উৎলিবদি লিভরদুনা য়াম্নমক শোকচিনখিবা ওইরবসু ময়ায় ওইরপ্না চিঙ্গাক অমসুং হৈনবীদা শেমদোকপনা ফেট্টি লিভরগী লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসিনি। উচিশিংদুদা অহানবা থা তরুক্কী মনুংদা এন্টিসেন্স থেরাপি পীবনা মখোয়গী অরূম্ববু তশেংনা হন্থহনবা ঙম্লম্মী। অদুবু উচিশিংদা মায় পাক্লে হায়দুনা মসি মীওইবদসু হেক্তা মায় পাক্লগনি হায়বদি লৈত্রি। অদুনা মখা তানা থিজিনবগী মথৌ তারি। অদুবু মখোয়গী পাম্বৈসি তশেংনমক্কী থাজনীংঙাই ওইবা থেরাপ্যুটিক টার্গেট অমনি হায়না Kaplowitz না ফোঙদোক্লি। ●

তুংলমচৎকীদমক চাওখৎ খোঙথাং -১

- চিংশুবম শ্যামজাই -

পীকচরবসু ইরমদম মণিপুর মালেমগী মফম কয়াদা মমিং চৎচরবা লমদম অমনি। শান্ন-খোৎনবদা, জগোয় ঈশৈদা অমদি নাৎকী ওইবা চৎনবীদা তোপ তোপ্পা মগুন লৈজবা লমদম অসি ঙসিদি তঙাইফদনা তুংলমচৎকীদমক খল্লগা মাঙলোমদা চঙশিনগদবা থবক থৌরম কয়া মাঙদা তাদুনা লৈরি। পোত্থোক মরাং কাইনা লৈজদবা অমদি তুংগীদমক পোরম কয়া য়াৎপীনবা মীওই কয়া লৈতবদগী ঙসিদি ইরমদম অসি চাওখৎপগী মমি শামজিল্লকপগুম লৈরিবা অসি খরদং ওইরবসু কলহৌনবগীদমক অনৌবা চাওখৎ খোঙথাং কয়া পোরম য়াৎতুনা পাঙথোকপা মথৌ তারক্লে। অহানবা তাঙ্কক অমগী পোরম য়াৎপা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্না তৌহঞ্জনীংবা খরা পঞ্জবা তারবদি নম্বুল তুরেল অমদি থোং নম্বোনবীগা মরী লৈনবা ৱাফম খরা থমজগে। সহরগী ময়ায় ফাওদুনা চেল্লিবা নম্বুল তুরেল অসি অসুক্কী মতিক ফীভম শোকচিল্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লিবা নম্বুল তুরেলগী ফীভম অসিদগী কন্ননবগীদমক তঙাইফদনা পোরম খরদি য়াৎথোক্তুনা থল্লগা থবক ওইনা পাঙথোকপা তারবদি অইবগী থম্মোয়দা ফাওরিবা অসি মংফাওনরে হায়না খঞ্জগনি। লৈঙাক্না তৌহঞ্জনীংবা খরদি মহারানি থোং হায়না খঙনরিবা থোং অসিদগী কৈশাম্পাৎ থোং ফাওবা অসি শগোলবন্দ লোমদনা মোইরাং লৈরক মপা ফাওবদা লৈরিবা তুরেলগী মথক্তা নাগা তুরেলগী মতৌগুম্না কাঙলোন চুম্না কুপশিনবীদুনা নীংথিনা থম্বীদুনা গাড়ীগী পার্কিং ওইহঞ্জনীংই। লোয়ননা লম্বীগী মতাইদা ফম্লিবী এঞ্চাং-নাপি য়োল্লিবী কয়াবুসু মফম চানা ফমহন্দুনা লৈহল্লবদি শগোলবন্দ অমদি ৱাহেংবম লৈকায়দা লম্বী চৎপদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিদগী খরমখৈদি কোকপা ঙমগনি। শগোলবন্দ, ময়ায় লম্বী অমদি টিদ্দিম লম্বীদা চেল্লিবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিংগী পার্কিং ওইবা অমদি মনা-মশিং অমদি অতোপ্পা পোৎলম কয়া য়োনবগী খুদোংচাবা হেনগৎহনগনি। লোয়ননা নম্বুল তুরেলদা অমোৎপা হুন্দোকপদগী কনবা ঙমগনি খঞ্জে।

মমাঙঙৈগী মতমদগী লৈরক্লবা নম্বুল তুরেল খোংনুংদা লৈরিবা থোং নম্বোনবী হায়না খঙনরিবা থোং অসিসু ফীভম কায়হন্দনা ফুক্তুনা পুরগা কংলা মনুংদা ম্যুজিয়মগী মনুং চন্না ঙাক শেন্দুনা থম্বীরবদি থোং অসিসু কিন্থদুনা মাঙখিগদবদগী কনবা ঙমগনি অমদি নম্বুল তুরেলদা ঈচেল থিংলম্বা অদুসু কোকপা ঙমগনি। লোয়ননা থোং নম্বোনবী মনাক্তা লৈরিবা তুরেল অহুম ফাংলিবা অসিগী মনাক্তা অচৌবা অহাঙবা (তুরেল মথক্তা) মফমদুদা নীংথিনা থৌরাং তৌদুনা মথোল কয়া লোংবা বিল্ডিং শাগৎতুনা মখল কয়াগী পোৎলম কয়া য়োন্নবা প্লোট কয়া শেমগৎলবদি সহর অমসুং তুরেলগী শক্তমদা ফজবা মায়োন অমা থোরকপা ঙমগনি। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক পার্টি খুদিংগী মেনিফেষ্টোদা হাপ্পীয়ু অমদি এসেমব্লিদা পুথোকপীয়ু লোয়ননা পাস তৌবীদুনা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়না পাউজেঞ্জরি। ●

এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

চীং-তমগী কর্ম্মচারিশিংগী জে এ সী ২ থোকপা

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

ষ্টেটসিদা লৈরিবা চীং-তমগী কর্ম্মচারিশিংগী খ্বাইদগী চাওবা এপেক্স বোদি জে এ সী ওফ এমতুক এন্দ এম জি ও অসি অনী থোকপগী মওং অসি কর্ম্মচারিশিংগী খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। কর্ম্মচারিশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং এপেক্স বোদি অসিনা তান্নদুনা লাকখিবনি। নীংশিংবা য়াবা অমনা ষ্টেটসিগী কর্ম্মচারিশিংগী ষ্টেটকী ওইবা পে পীরম্মী। লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা আর কে জয়চন্দ্রগী মতমদা জে এ সীনা তক্লবদগী অহানবা সেন্ট্রেল পে পীবা হৌখিবনি হায়বসি কর্ম্মচারিশিংনা নীংশিংফম থোকই। ষ্টেটসিদা ই পি এফ/সী পি এফকী সব ব্রাঞ্চ অমা লৈরিবা অসিসু জে এ সীনা, য়ুনিয়ন লেবর মিনিষ্টর অমদি প্রোভিদেন্ট ফন্দ কম্মিস্নরদা কন্না তক্লবদগী ইম্ফালদা লৈরিবনি। মসিসু কর্ম্মচারিশিংনা নীংশিংফম থোকই। লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা মোইরাং কোইরেং অমদি লৈখিদ্রবা জে এ সীগী প্রসিদেন্ট প্রজাতন্ত্রগী এদিটর এল জয়চন্দ্রগী মতম, চীফ সেক্রেটরি অমদি এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইরম্বা জর্নেল সিংহনা পৱার পায়রিঙৈদা জে এ সীবু লৈঙাক্না য়াম্না লূম্না লৌবীবদগী বাবুপড়াদা জে এ সীগী ওফিস পীবিরম্বনি। ওফিস অসি ষ্টেটসিগী ভি আই পিশিংনা য়াম্না দিমান্দ তৌবা ক্বার্টরনি। জে এ সীনা মতম অদুগী লৈঙাক্তা জে এ সীগী ওফিস ওইনবা জি এম হোলগী মখা থংবদা নৎত্রগা গভর্ণর বঙ্গলোগী মখা লাইব্রেরিগী মনাক, ইলেক্ট্রিসিটিগী নোংপোক্তা নৎত্রগা পি দব্লিয়ু দিগী অৱাং এল আই সী ওফিস শাদ্রিঙৈদা পীবিয়ু হায়জবদা লৈঙাক্না বাবুপড়াগী ক্বার্টরসি পীবিখিবনি। চহী ৪০গী মমাঙদা পীবিরম্বা জে এ সীগী ওফিসপু অতোপ্পা লন্নাই মীওইদা লৈঙাক্না পীথোকখিবা হায়বসি কর্ম্মচারিশিংগী খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। মসিগী মহয়দি জে এ সী অনী থোকপদগীনি হায়না খঞ্জে।

অরোইবদা কর্ম্মচারিশিংনা মত মান্নদ্রবা লৈঙাক্না খুদোংচাবা লৌবা, ফংফম থোকপা হকশিং তানবদা মতম চঙবা নৎত্রগা ফংদবা কর্ম্মচারিশিংনা খঙবীফম থোকই। ষ্টেটসিদা অনী থোকপী অসি কর্ম্মচারিশিংদদি অনী থোকপা অসি থোকহন্নীংদে। হায়নৈ অপূনবনা পাঙ্গলনি, শক্তিনি হায়নরিবনি। অতোপ্পা অমনা মতম পূম্বদা লৈঙাক্না সেক্রেটরিয়েট কর্ম্মচারি-নন সেক্রেটরিএট কর্ম্মচারি অনী অসি অমত্তা ওইনা অমদি সেন্ট্রেল কর্ম্মচারি, ষ্টেট কর্ম্মচারি মখল অনী অসিসু অমত্তা ওইনা য়েংহন্নীংই, পূম্নমক অসি দুকান্দগী লৈমিন্নরি, চামিন্নরি, হিংমিন্নরি। চীং-তম পূম্বগী কর্ম্মচারিশিংগীদমক্তদি জে এ সী ওফ এমতুক এন্দ ওম জি ওগী এপেক্স বোদি অসি কর্ম্মচারিশিংগী বেক বোন্নি হায়জনীংই।

অদোমগী - টি ঐচ ইতোবী

এক্স সেক্রেটরি (ওর্গেনাইজেসন) জে এ সী ওফ এমতুক এন্দ এম জি ও

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।